# মশাগী ওইবা মওংদা শা-ষণদা অনা লায়েংবা



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

মমাঙঙৈদদি শা-ষণ নারকপা মতমদা হৌজিক খুদক্তা ফংলিবা হীদাক ময়ামসি মরাঙ কায়না ফংদবনিনা মশাগী য়ূমদা লৈজরিবা পোৎলম কয়া শীজিন্নদুনা অনা লায়েংলম্মী। শা-ষণশিং লোয়বদা অৱাবা কয়া অমা অমদি মতা চান্নদবা কয়া মরুম মায়োক্লরি। মসিগী খ্বাইদগী চাওবা মরমদি মশাগী ওইবা হান্নদগী চান্নরক্লবা অনা লায়েংগী মওংসি য়াওদবদগীনি শা-ষণ লোয়বীরিবা কাঙবুশিংনা মশাগী ওইবা নৎত্রগা অসুম থাজরকপা লায়েং-পথাপশিংসি শীজিন্নদুনা লায়েংবা কয়া অমা য়াওনরি। হান্নগী ইন্দিজেনস নোলেজসি য়াম্না অরিবদি নত্তে অদুবু অসুম অসুম খুন্নাইনা য়াদুনা চৎনরক্লবা লায়েং পথাপ ঙাক্তনি। অসিগুম্লবা লায়েং পথাপশিংসি মখাদা খরা থমজরি।

**ক) মশা শাগৎপদা হৈবোং মনা শীজিন্নবা ঃ**

মশা শাগৎপদা হৈবোং মনাসি নোংমদা খরা য়াম্না অহুম্লক থোক্লা পীজবীবা অমদি হায়রিবা মনাসি মরৈদা নোংমদা অহুম মরিরক তৈবীরগদি মশা শাগৎপা হন্থহল্লি।

হৈবোং মনাদা চীনিগী শরুক চাদা ৫১.৪ য়াওই। মসিদসু নত্তনা মিনরেল, ভিটামিনশিং কয়া অমসু য়াওরি। হৈবোং মনাসিনসু মথী-ময়ুং নীংথিনা ফাইবা ঙমহল্লি অমদি মশাদা লৈরিবা লোকশিং লৌথোকপা ঙমহল্লি।

**খ) মশা শাগৎপদা য়াইঙং অনৌবা/মনাওগা চীনি অঙাংবগা শীজিন্নবা ঃ**

য়াইঙংশিংদু পেষ্ট শেন্লগা চীনি অঙাংবা হাপ্লগা নোংমদা ২-৩ লক পীজবীগনি। মসিনা হকচাং শাগৎপা হন্থহল্লি। য়াইঙংদা কেফীক এসিদ, করকুমীন, লীমোনীন, য়ুজিনোল অমদি টর্মিরিন য়াওই। হায়রিবা কম্পাউন্দশিংসি শাগৎপা ফহল্লি অমদি মসিদা চীনি অঙাংবা হাপ্লীবসিনা ঈশিং থকপগী চাং হেনগৎহল্লি।

**গ) ডাইরিয়াদা শীজিন্নবা য়াবা মখলশিং ঃ**

**১) ৱা মনা ঃ** নোংমদা ৱাগী মনাসি মরাং কায়না অয়ূক অমদি নুমিদাংৱাইরমদা পীজবীরগদি মথী পেৎলম্বদগী কনশিল্লকই অমদি ডাইরিয়া ফহল্লি।

**২) সীটাফোল ঃ** অশংবা নৎত্রগা খরা মুল্লপ তৌবা সীটাফোলসি অহুম অহুম অনীরক থোক্লা অতোপ্পা মচিঞ্জাকশিংগা পীজবীরগদি ডাইরিয়া হন্থে।





করিগুম্বা মতমদসু সীটাফোল অশংবসি লৌরগা মুল্লবা তুংদা পীজবীরগসু ডাইরিয়া ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। সীটাফোলদা তুম্নবগী শরুক য়াওই অমদি থীরিন্দা অনাবশিং ফহল্লি।

**৩) ৱাইকুপকা লফোইগা পূন্না পীজবীবা ঃ** ৱাইকুপকা লফোইগা পূন্না পীজবীবা মতমদা ডাইরিয়া হন্থহল্লি। মসি ষণদা নোংমদা ৱাইকুপ কেজি অমদা লফোই ৪-৫ হাপ্লগা নোংমদা অহুম্লক থোক্লা নুমিৎ নীনি হুমনি পীজরবদি মখোঙ হান্বদা কনবা ওইনা হান্মী।

**৪) সনাগী মহী শীজিন্নবা ঃ** শঙ্গোম সনা শেন্নবা মতুং মহীদু পীথকপদা ডাইরিয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। সনা মহীদা য়াওরিবসি ভিটামিন এ অমসুং ডিনি। মসিদা এন্টি বেক্টেরিয়েল প্রোপর্টি য়াওই। মসিদসু নত্তনা অতোপ্পা মিনরেল, প্রোটিন, ফেট অসিনচিংবা কয়া অমসু য়াওরি।

**৫) মঙ্গেমনা অমদি হঙ্গাম মরু শীজিন্নবা ঃ** মঙ্গে মনা অমদি হঙ্গাম মরু পূন্না ঈশিংগা কোন্ননা পুক হাংলিঙৈদা নুমিৎ হুমনি নোংমদা অনীরক পীজবীরগদি ডাইরিয়া অমদি দাইসেন্ট্রিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

**ঘ) মচীন মরৈ অমদি মখোঙ নাবা ঃ**

১) নীম মনাসি ঈশিংদা ফুৎলগা মহীদুনা মখোঙগী লোংখুমদা শোক্লিবদুদা চামথোকপীরগদি অনাবসি য়াম্না থুনা ফৈ। মসি য়াম্না তোয়না তৌবীগনি। নীম মনাদা এন্টিসেপটিক এন্টি বেক্টেরিয়েলগী প্রোপর্টি ময়াম অমা য়াওরি। নীমদা নীমবীন অমদি নীমবীডিন য়াওই। মসিনা অশোক অপন কয়া অমা ফহল্লি। নীমবীডিনসি হকচাং শাগৎপা হন্থহল্লি, অনাবা ফাওহন্দবা ঙমহল্লি।

**২) লৈখোমদা চৎহনবা ঃ** মচী মরৈ অমদি মখোঙ নাবশিংদা লৈখোমদা চৎহন্দুনা অশোকপা মখোঙশিংদু লৈখোমদা য়োন্লগা থমদুনা হয়িং, কাঙ অমদি অতোপ্পা তীলশিংনা চঙবা ঙমহন্দে। মসি কা হেন্না অফবা লায়েং পথাপতি ওইদে।

**৩) করপুর নৎত্রগা টরপেন্টাইন ওইল শীজিন্নবা ঃ** অশোকপা মখোঙদু নীংথিনা চামথোকপীরগা করপুর অমদি টরপেন্টাইন ওইলনা মীকচর শেন্বীরগা অশোকপা জ গাদা তৈবিরগা অনাবদু ফবা ঙমহল্লি।

**৪) ফীজিগ্রিগা খোহি/চুহী শীজিন্নবা ঃ** মচীন মরৈ নাবা মতমদা শা-ষণশিংদু চাবা থকপা অমত্তা য়াদে। মখনাও মনুংদা অমদি মরৈদা চাথৎপা কয়া অমা লৈবা উই। মসিদা ফীজিগ্রিগা খোহি/চুহী হাপ্তুনা মীকচর শেন্নবা মতুংদা চৈ অমদা লশিং য়োন্লগা হায়রিবা মীকচরসিদা লুপ্পীরবা তুংদা মচিন কাথোকপীরগা নোংমদা ৩/৪ রক তৈবীগনি।

**ঙ) খোমজিন চেখাইবদা ঘী/বট্টর শীজিন্নবা ঃ** খোমজিন চেখাইরগদি ঘী নৎত্রগা বট্টর শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা তৈবীগনি। মসিদা চেখাইরীবা উনশাশিংদু থোৎহল্লি অমদি নীংথিনা শঙ্গোম শুম্বা ঙমহল্লি।

**চ) অশোক অপন থোকপদা য়ুবী থাউ অমদি চনম শীজিন্নবা ঃ** অশোক অপন অমদি লেনথৎ খোৎতৎপদগী শোকপদা য়ুবী থাউগা চনম শুরগা মহীদুগা পূন্না মীকচর শেন্লগা মহীদুনা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা হনজিলহল্লি।

**ছ) তীল চেনবা হন্থহনবা ঃ** তীল চেনবা হন্থহন্নবা কীহোম মনা পীজবীগনি। মসি নুমিৎ ৪-৫ নি পীজবীগনি।

জ) মপান থোকপদা ঈ য়াওবা তারগদি ঈশিংদা চা মনাসি ফুৎলগা পীথক্লগদি ঈ য়াওবসি ফৈ।

ঝ) মখোঙ হান্বা য়াদবদা আটাগা, হঙ্গাম থাউ অমদি চীনি অঙাংবগা পূন্না পীজরগদি ফবা ঙমহল্লি।

ঞ) অশোক অপন লেনথৎ খোৎতৎপদা ঈ থোক্লকপা য়াওরগদি সনারৈ মনাসি পেষ্ট শেন্লগা থোন্বীবদা থোক্লিবা ঈ অদু খকই।

অসুম্না শা-ষণ নারকপা মতমদা খুদক্কী ওইনা হীদাক লাংথক ফংলক্তবা নৎত্রগা খুদোংচাদবা লৈরগদি হায়রিবা ময়ামসি শীজিন্নদুনা লায়েংবীগনি। ●

# হৱাই থরাক থাবগী কাঙলোন

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

হৱাই থরাক লমদম অসিদা য়াম্না পাম্না চানবা পান্থী মখল অমনি। মসি ঐখোয়না অশংবা থরাকশিং অদু খোক্লগা মরূশিং অদু নৎত্রগা কংহল্লবা মরূশিং অদুগা করিগুম্বা মতমদা অশংবা মকু য়াওনা চানৈ। মরূ লৌখ্রবা অকঙবা হৱাই থরাক্কী মসা-মরেংশিংবুনা শা-ষণদা পীজবা, কম্পোষ্ট শেন্বা নৎত্রগা নীংথিনা কংহল্লগা মৈ থাদুনা লৌবা উৎ অদু থুমোক অমদা হাপ্লগা মথক্তা ঈশিং হৈরগা তারকপা মচুম অদু লৌদুনা ঐখোয়না পাম্না চানবা উতি হায়বা এঞ্জাং অদু থোংবদা শীজিন্নৈ। তশেংবদি হৱাই থরাক অসি অশংবা মরূ খোক্তুনা চানবা কাঙবু অমা অদুগা হৈজিং ফারবা মতমদা লোক্লগা অকঙবা মরু ওইনা চানবা কাঙবু অমা হায়না অনী থোকই। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিদদি মখল অনীমক অশংবা মরু ওইনা চানৈ অদুগা হেঞ্জিন্না লিখ্রবা মহৈশিং অদু লোক্লগা অকঙবা মরু ওইনা শীজিন্নৈ। হৱাই থরাক অশংবা মরূ গ্রাম ১০০দা প্রোটিন গ্রাম ৫, কার্বোহায়দ্রেট গ্রাম ১৪, দাইত্রি ফাইবর গ্রাম ৫, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৯-১০, পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ৯৭-৯৯, ভিটামিন সী, ভিটামিন বি৬, রাইবোফ্লেভিন, থিয়ামিন অমদি টোলেটনচিংবা কয়া য়াওরি। অমরোমদা অমুক হৱাই মখল অসিগী অকঙবা মরূ গ্রাম ১০০দা প্রোটিন গ্রাম ৬.২-৬.৫, দাইটরি ফাইবর গ্রাম ১৪-২৬, কার্বোহায়দ্রেট গ্রাম ১৭-২২ লোয়ন-লোয়ননা কেলসিয়ম, পোটাসিয়ম, আইরন, কোপ্পর, জিঙ্ক, মেঙ্গানিজ, ভিটামিন-বি, ফোলেট, রাইবোফ্লেভিন, থিয়ামিননচিংবা মরু ওইবা মচল কয়া য়াওরি। অসিগুম্বা কান্নরবা মচাক কয়া য়াওবা অদুগা ঐখোয়না পাম্না চানবা তোঙান-তোঙানবা মথেল কয়াদা হৱাই থরাক চঙদবা য়াদবা ওইবনা পান্থী মখল অসি মণিপুরদা নীংথমথা মতমদা ইঙ্খোল অমদি লৌবুক অনীমক্তা মরাং কায়না থানৈ। ফৌ থাখিবা লৌফমশিংদা হৱাই থরাক থাবনা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবদসু মতেং পাংই।

**থাবা য়াবা হৱাই মখল :** লমদম অসিদা থাবদা চান্নরবা হৱাই মখল খরা পনবা তারবদি DMR-7, DDR 50, TRC P8, TRC P9, Arkel Rachana, Ambika, মখয়াৎ মুবী, হৱাই নিংতেকপী অমদি হৱাই মকু চাবী পনবা য়াই।

**লম শেম শাবা :** হৱাই থানবগীদমক লৈচঙ লৈনা অমুক খোইবীরবা মতুং লৈতুমশিং অদু কুপথনবা অমুক নৎত্রগা অনীরক খোইবীগনি। হৱাইগী লৌফমদা হাপকদবা হারশিং অরোইবা লৌওনগী মমাঙদা হাপ্পীগনি। করিগুম্বা হৱাই মখয়াৎ মুবীগুম্বা য়াম্না লন্না থাবীগদবা ওইরবদি পান্থীগী মখোঙগী অকোয়বদা পীবা য়াই। ফৌ থানবা অকুৎপা লৌফম ওইরবদি ফৈদোমশিং অদু ইঞ্চি ৬-১০ ফাওবা ৱাংনা চিংখৎপীগনি। ঙল্লবদি লৌফম অদুদা ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা পান্থী শীংবীদগী শেন্বা হারশিং লৌ পরি অমগী লৌফমদা য়ামদ্রবদা কিলো ১০০০০ লম শেন্বা হৌরকপদা চাইথোকপীয়ু। ঐখোয়গী লমদম অসি অশিনবা লৈবাক ওইবনা পান্থী থাগদবা চুরি পরেংশিং অদুদা শুনু কেজি ৫০০ লৌ পরি অমগী মফমদা চাইবীবদা পোখোক হেনগৎহল্লি।

**থাবগী মতম :** হৱাই মখল অসি ওক্টোবরগী অহানবা থাখায়দা থাবীহৌবনা তীলনা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপদা খ্বাইদগী খুদোংচাদুনা পোখোক হেনগৎহল্লি।

**থাবীগদবা চাং অমসুং থাবা :** মতম শাংবা হৱাই মখলশিংগীদমক লৌ পরি অমা থানবগীদমক মরূ কেজি ৬০-৮০ চঙবা মতমদা অতেনবা মতমগী হৱাইশিংনা কেজি ১০০-১২৫ মুক চঙই। মতম শাংবা হৱাই মখলশিং পরেংগা-পরেংগা ইঞ্চি ১২ অদুগা পান্থীগা-পান্থীগা ইঞ্চি ৪গী চাংদা থাবীগনি। অদুগা অতেনবা মতমগী হৱাইশিংগীদমক পরেংগা-পরেংগা ইঞ্চি ৮ অদুগা পান্থীগা-পান্থীগা ইঞ্চি ৪গী চাংদা থাবীগনি। থাবীগদবা মরূশিং থাদ্রিঙৈদা রাইজোবিয়ম, তীল হীদাক, কোকফাই হীদাকশিং তোৎপীহৌগদবনি। হীদাকশিং অসি তোৎপীনবগীদমক এফ (কোকফাই)/(তীল হীদাক) আর (রাইজোবিয়ম) গী মথং-মনাও অসিদি কায়হনবীরোইদবনি। হৱাই মরক্তা তোয়না তাগনবা পান্থীগী মখোঙ অদু উশি চঙলকপগা লোয়ননা অরিবা মনাশিং নাপু মচু ওইরকপা অসিদগী ঙাকথোক্লবগীমক Captan 50% অসি গ্রাম ২ মরূ কেজি খুদিংগী নৎত্রগা ত্রাইকোদর্মা গ্রাম ১০ মরূ কেজি খুদিংগী চাংদা লৌবীরগা ঈশিংগী মতেংনা হীদাক অদু নপ-নপ লাউনা থিৎলগা মরূশিংদা তোৎশিল্লগা উরুম অমদা মচুম লাংশিনহনবীরবা মতুংদা Chloropyriphos 20% EC গী মপাঙ্গল লৈবা হীদাক মিলিলিটর ২-৩না মরূ কেজি অমগী চাংদা তোৎপীগনি। মথক্তা তৌখিবগুম তীল হীদাক তোৎলবা মরূ অদু মচুম লাংশিনবীরবা মতুংদা রাইজোবিয়ম গ্রাম ২০ মরূ কেজি খুদিংগী চাংদা লৌবীরগা তোৎপীগনি অমদি মচুম লাংশিনহনবীরগা থাদোকপীগনি। অসুম্না হীদাক তোৎলবা মরূশিং কুইনা থাদোক্তুনা থন্বীরোইদবনি। করিগুম্বা মরূদা তোৎনবা রাইজোবিয়ম ফংদ্রবদি হান্না হৱাই থরাক থাদুনা পোখোক নীংথিনা পুথোকখিবা লৌফম/ইঙ্খোলগী মথক থংবা ইঞ্চি অমমুক্কী লৈবাক লৌথোকপীখ্রগা লৈহৌরিবা অদুদগী ইঞ্চি ৩ মুক লুবা মফম ফাওবগী মনুংদা লৈবা লৈবাকশিং লৌবীরগা ষন্থি-ষণয়ুংগী হারগা মান্নবা চাংদা তোৎপীরগা অরোইবা লৌওনগী মমাঙদা চাইথোকপীরগা খোইদোকপীগনি। অসুম তৌবিবা মতমদা লৌ পরি অমগী লৌফমগীদমক মথক্কী মওং অসিদা লৌবা লৈবাক কেজি ২০০ চঙগনি।

**হার পীবা :** হৱাই থরাক থানবগীদমক নাইত্রোজেন য়াওবা হার য়াম্না হাপ্পীরোইদবনি। মরমদি হৱাই মখলশিং অসি নুংশিত্তগী নাইত্রোজেন ফাজিন্দুনা শীজিন্নবা ঙম্মী। মরম অদুনা লৌ পরি অমগী লৌফমগীদমক য়ুরিয়া কেজি ৪৪, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ২৫০ অদুগা ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৫০ অরোইবা লৌওন খোইবদা হাপ্পীহৌগদবনি। করিগুম্বা হৱাইশিং অদু লৌবুক্তা হুন্দুনা হৌরবা মতুং থা ফারবা ফাওবা রূট নুদল হায়রগা খঙনবা হৱাইগী মরাদা নপ্পা মরূম-মরূমশিং অদু শৌবা উদ্রবদি হৌরিবা পান্থীগী মনাদা য়ুরিয়া অসি ঈশিংদা থিৎলগা নুমিৎ ১০-১৫ কান্না-কান্ননা কাপ্পীগনি। থৌওং অসিগীদমক য়ুরিয়া কেজি ২না পম্প ৫ থোক্লা কাপ্পবগীদমক ঈশিংদা থিলগা চাং মান্ননা য়েন্থোকপীরগা পম্পতা হৈজিল্লবা মতুংদা অহেনবা মথৌ তাবা ঈশিংশিং হৈজিনবীরগা কাপথোকপীগনি।

**ঈশিং পীবা :** হৱাই থাবীবা মতমদা লৌফম অদু ঈনিল য়াম্না নেন্লবদি হেক থাখিবগা ঈশিং পীবিদুনা হৱাইশিং থুনা অমদি চাং মান্ননা হৌহন্নবা হোৎনবীগদবনি। ঙল্লবদি হৱাই মখল অসি নুমিৎ ১৫-১৫ কান্নরগা ঈশিং পীবীবা ফৈ। অদুবু তঙাইফদনা হৱাই মপাল শাবা হৌরকপদা অমুক অদুগা মরূ চঙবা হৌরকপদা অমুক্তি শোয়দনা ঈশিং পীবীগদবনি। লৌফম অদু ইনিল ৱাৎলি-ৱাত্তে হায়বসি য়েংনবগী অরাইবা পান্থৈদি লৌফম অদুদা তারিবা খরা চাউবা লৈতুম অমা লৌখৎলগা মথক মখা ওন্দুনা য়েংবদা লৈবাক অদু মচু মুরি-মুরি তৌদুনা লৈরবদি ঈশিং পীবা খরা তপথবা য়ারি অদুগা লৈতুমগী মখা থংবা শরুক অদু মচু ৱাওথোরক্লবদি য়াম্না থুনা ঈশিং পীনবা থৌরাং তৌগদবনি। নীংশিংবীগদবদি হৱাই থরাক অসি করিগুম্বা মতম অমত্তদসু ঈশিং থুমজিলহল্লোইদবনি।

**লায়না তীলনা :** হৱাই থরাক্কী তোয়না তাগনবা লায়নাসি Powdery mild dew অমসুং Rust নি। লায়নাশিং অসিগীদমক Hexacozole নৎত্রগা Propiconazole মিলিলিটর ১ ঈশিং লিটর অমদা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি অদুগা তীলনাশিংগীদমক মনাদা মরী-মরী চৎপা তীল অমসুং মরক্তা তীল চঙবা তাগল্লি। মসিগীদমক Chlorantraniliprole 18.5 SC মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি।

**পোখোক :** হৱাই থরাক্কী পোখোক অসি হৱাই মখল খেন্নবা, থাবগী মওং খেন্নবা, লৌফম খেন্নবা মতম শাংবা অমসুং তেনবা খেন্নবগী মতুংইন্না অশংবা মরূ ওইনা কেজি ৫০০-১০০০ অদুগা অকঙবা মরূ ওইনা কেজি ১২০০-২৫০০ লৌ পরি অমগী লৌফমদগী ফংবা ঙম্মী। ●

# তীল তাদনা কোবি থাবা

- লোংজম বোরিস -

কোবী হায়রিবা পান্থী অসি শেন্দোংগী থাবা খক নত্তনা মীয়াম্না চানবা য়ূমদা থানবা মনা-মশিং অমনি। কোবিদা মীওইবদা কান্নরবা ভিটামিন, মিনরেল, প্রোটিন মরাং কায়না য়াওই। পান্থী অসিদা তীল কয়া অমনা অমাঙ অতা থোকহনবা মরম্না মতম চানা তীলশিং লাকশিনবা তঙাইফদে।

কোবিদা তাগনবা মরু ওইবা তীল খরা :- ১) **Diamond black moth:**

Diamond black moth হায়রিবা তীল মখল অসি কোবিখক নত্তনা কোবি ফুল, knolkhol অমদি turnip তা তাগনবা তীল অমনি। তীল অসিগী মচানা কোবি মনাগী মথক থংবা মরূ চাথোকই অমদি চাওরক্লগা মনাশিং হুৎতুনা চাথোকই। তীল অসিনা শাথীনা তাবা অসি নীংথমথা লোইশিল্লকপা মতমদনা হেল্লি।

২) **Tobacco caterpillar :** তীল মখল অসি ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা তাগল্লি। তীল অসিনা নবেম্বর থাদগী হৌরগা নোংজু থা (মোন্সুন) ফাওবা তাবা থেংনৈ। তীল অসিনা মনাগী মথক্তা মরূম কোকশিল্লি অমদি মনা চাথোকপা হৌরকই।

৩) **Cabbage Butterfly :** তীল অসিনা মনা চাথোকই অমদি মনাগী ময়াংলেন (leaf veins) খক্তমক খাক্তুনা থম্মী। তীল মখল অসি কোবি খক্তা নত্তনা নীংথমথাগী মনা মশিং অয়াম্বদা তাবা থেংনৈ। তীল অসি মশীং য়াম্না তাগনবা তীল মখল অমনি।

৪) **Cabbage Leaf Webber :** তীল মখল অসিনা কোবিগী মনাশিংদা তাশিন্দুনা চাথোকই অমদি কোবিনা মপূং ফারক্লবা মতমদা অমাঙ অতা হেন্না চাউনা থোকহল্লি। তীল অসিনা কোবি খক্তা নত্তনা অতোপ্পা নীংথমথাগী মহৈ-মরোংশিংদসু অমাঙ অতা থোকহল্লি।

৫) **Cabbage Head borer :** তীল অসিগী মপীশিংনা মনাগী মখাদা মচা কোকশিল্লি অমদি মচাশিং অদুনা পান্থীগী মনাশিং চাথোকই। মনাশিং অদু পুন্না তাশিল্লি অমদি মনাশিং চাথোকপা হৌরকই। তীলশিংনা কোবিগী ময়োনশিং চাথোক্তুনা অমাঙ অতা থোকহল্লি।

৬) **Cabbage aphid :** তীল মখল অসিনা কোবি পান্থীগী মহি চূপথোক্তুনা পান্থীগী মশা শোন্থহল্লি অমদি চাওজন থিহল্লি। তীল অসি তাবনা মরম ওইরগা অতোপ্পা কোকফাই শুজানা থোকহনবা লায়না কয়া তাহল্লি।

**কোবিদা তীলশিং লাকশিন্নবা পাম্বৈ খরা :-**

১) চুরি শেন্বীবা মতমদা লৈমায়দগী সেন্টিমিটর ১০ ৱাংনা শাবীবা।

২) লৈবাক্তা য়াওবা তীল মচাশিং হাৎনবগীদমক ০.৪৫ এম এম থাবা পোলিথিন শীটনা চয়োল ২-৩ soil solarization তৌবীবা।

৩) Azadirachtin 0.03% (300ppm) neem oil ঈশিং লিটর অমদা এম এল ৫গী চাংদা য়াল্লগা কাপ্পীবনা মনা চাবা তীলশিং নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্মী।



**Tobacco Caterpillar (ICAR-NCIPM), Cabbage Butterfly (ICAR-NCIPM), Cabbage leaf webber না শোকহল্লবা কোবি পান্থী (ICAR-NCIPM) অমসুং Cabbage aphid (ICAR-NCIPM)**

৪) কালেনথাদা লৌ খোইবনা লৈবাক্তা লোৎতুনা লৈবা তীল মচা অমদি মরূমশিং হাৎতোকপা ঙম্মী।

৫) Painted bug মাঙহন্নবগীদমক সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর থাদা ঈশিং নীংথিনা লৌফমদা চঙহনবা।

৬) Indian mustard/Chinese cabbage শিং কোবি পান্থী মরক্তা থাবীরবদি diamond black moth, cabbage butterfly, tobaccco caterpillar নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্মী।

৭) Pheromone traps@4/ha monitoring তৌবা অমদি 10 traps per ha গী চাংদা শীজিন্নবনা *Spodoptera litura* অমদি *Pieris brassicae* লাকশিনবা ঙম্মী।

৮) উচেক তোংফম (bird perches) পরি অমদা তরাগী চাংদা হাপ্পীবা। উচেক তোংফম হাপ্পীবনা তীলশিং অসি উচেক্না ফাদুনা চাথোকই।

৯) *Bacillus thuringiensis var. galleriae* 1.3% ঈশিং লিটর অমদা গ্রাম ২গী চাংদা হাপ্পীদুনা চাইবীবা।

১০) Azadiractin 0.3% (300ppm) @5ml/litre নৎত্রগা neem seed extract @ 5% কাপ্পীবনা মনা চাবা অমদি মহি চূপ্পা তীলশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

১১) Diamond black moth, aphid অমদি *Spodoptera* লাকশিন্নবা Cyantraniliprole 10.26% @60 গী চাংদা হাপ্পীবা য়াই।

১২) চারা শেন্বীবা মতমদা নাপীশিং মাঙহনবা মথৌ তাই।

১৩) NPK fertilizers কাঙলোন চুম্না হাপ্পীবা অমদি farm yard manure 3kg/m2 গী চাংদা হাপ্পীবা। *Trichoderma viride@150g* হাপ্পীবনা লায়নাশিং লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।

মথক্তা পঞ্জরিবা থৌরাং খরা অসি নীংথিনা মতম চানা পায়খৎপীরবদি তীলশিং লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংগনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৫গী ৱাহং

১) “মহাক্লা হায়রম্মী” হায়বা ৱারীমচা অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি।
ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

২) “নঙবু ঙাইবদা অহীংসে হৌখরে
নোংমদোল থাজসু তাখরে
নঙবু থিবদা তাংলৌসে থেঙখরে
নোংমদোল থৱান মুৎখরে।”

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমদি অইবসিগী মমিং ইয়ু।

৩) “গীতাগী পাউজেল” (২০০৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) “ঐহাক লমকোইবা পামজৈ। মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌনীংই।”
ৱাহৈ পরেং অসি নীংশিং ৱারী অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো?

৫) “মরি তৎলবা বীনা” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।